# মণিপুরী লোল ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবগী মরুওইবা ফোটো অমসুং দোক্যুমেন্টশিংগী এগজিবিসন হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা কন্সটিট্যুসন (৭১ এমেন্দমেন্ট) এক্ট ১৯৯২গী ওগষ্ট ৩১দা চৎনহনখিবা নুমীৎকা মরী লৈননা ফোটো অমসুং দোক্যুমেন্ট এগজিবিসনগী থৌরম অমা ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীদা মণিপুরগী হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর খুন্দ্রাকপম জিবোননা রিবন কক্লুনা হৌদোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওফ মণিপুরী লেংগ্বেজ ফোটো এন্দ দোক্যুমেন্ট, পাউনা বজার ইম্ফালগী সেক্রেটরি লোইতাম সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি হৌদোকখিবা এগজিবিসনগী থৌরম অদুদা সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি এ নবকিশ্বর, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা)গী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবা, অইবা এল মেমো, নহারোল সাহিত্য পরিষদকী সেক্রেটরি ডা. ঐচ তেম্বা, মণিপুর লিটরেরি সোসাইটিগী সেক্রেটরি নাওরেম রাজেন্দ্রো, অশাংবা কম্যুনিকেসনগী মেনেজিং দিরেক্টর এ নেত্রজিৎ অমসুং মণিপুরী লোল মুভমেন্টকী শক্লাইরবা এক্টিভিষ্ট শরত সলামসু শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুরী লোলনা নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী মরুওইবা ফোটো অমসুং দোক্যুমেন্টকী এগজিবিসনগী থৌরম অসিদা লোল অসিগী ঈহৌ হৌখিবগী ফোটো খরা অমসুং লোল অসিবু কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চন্নবা মুভমেন্টকী খোঙথাং অমা ওইনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী এম পি ২১১গী সিগনেচর য়াওবা মেমোরেন্দমনচিংবা অসি য়াওরি।

মণিপুরী লোলগী মুভমেন্টকী এগজিবিসন অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৪, নোংমাইজিং ফাওবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীদা চথজগনি। এগজিবিসন অসি নুংথিল পুং ২দগী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা য়েংবা য়াগনি। লোল অসিগী ঈহৌ হৌখিবগী ফোটো অমসুং মরুওইবা দোক্যুমেন্টশিং লৈবীরবদি খ্বাই মীয়াম্না কোপী অমমমতং জোইন্ট ষ্ট্রগল কম্মিটি ফোর মণিপুরীদা পীবীরক্লবা কম্মিটি অসিগী মহুৎ শীন্দুনা থৌরম অদুদা অশাংবা নেত্রজিৎনা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# আই ঈ য়ুনা জিমিচন্দ্র তখেল্লম্বমদা অৱাংবা থাক্কী ওনরেরি ডোক্টরেট এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : খুন্নাই অসিগীদমক কথোকপা অমগা লোয়নননা য়াইফ থৌরাং কয়া তৌরিবা অমদি মীওইববু মতেং পাংবগী থবকশিংবু শকখঙবীদুনা ইন্দিয়ন ইম্পিয়র য়ুনিভর্সিটি (আই ঈ য়ু)না নহারুপ পাঙ্গোং মখোঙদা লৈবা জিমিচন্দ্র তখেল্লম্বমদা অৱাংবা থাক্কী ওনরেরি ডোক্টরেট এৱার্দ চহী অসিগী ওগষ্ট ২৮দা পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

জিমিচন্দ্র তখেল্লম্বমনা খুন্নাইগীদমক কথোকপা অমগা লোয়নননা তৌখিবা থবক থৌরমশিং অমদি হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা থবকশিংবু শকখঙবীবগা লোয়নননা হৌখিবা চহীশিংদসু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী এৱার্দ কয়াসু ফংখিবা লৈখ্রে। কুমজা ২০২১দসু ডা. বি আর অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা কুমজা ২০২০দসু ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমীনা পীবা ডা. বি আর অম্বেদকর নেসনল এৱার্দসু ফংখি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১৮দসু পান্থোইবী কলচরেল রিছার্স সেন্টর ফোর পর্ফোর্মিং আর্টসনা লান্থোকপা নোংপোক নিংথৌ এৱার্দসু ফংখি।

ইন্দিয়ন ইম্পিয়র য়ুনিভর্সিটিনা মহাক্কী থৌদাংবু মশক খঙবীরদুনা অৱাংবা থাক্কী ওনরেরি ডোক্টরেট পীরকখ্রবা জিমিচন্দ্র তখেল্লম্বম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নহারুপ পাঙ্গোং মখোঙদগী লৈখিদ্রবা গৌরো তখেল্লম্বম অমদি অপোকপী লৈখিদ্রবী তখেল্লম্বম ওংবী পুখ্রম্বম নিঙোল চান্দনিগী মচানি। মহাক হৌজিক চহী ৫৯ শুরে। হৌজিক হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা তোঙান-তোঙানবা মহাক্না ঙমজবা খুন্নাই অসিগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা নত্তনা মীওইবা অমনা মীওই অমবু মতেং পাংলবা মতমদতা ঈংনা চিক্লা লৈবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মহাক্কী মায়কৈদগী ঙমজবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। লোয়নননা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদসু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়নননা অঙম্বা মতেং কয়া পাংদুনা অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়নননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্লা থম্নবসু হোৎনরিবা মীশক অমনি।

## এগজিবিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দিক্রাফ্টস) মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সরশিপ মখাদা ক্রাফ্টস এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকায়না শীন্দুনা নুমীৎ ১০নিগী ওইবা ওক্টোবর থাদা মোইরাংদা সী এস দি ও ক্রাফ্টস বজার অমদি সী এস দি ও ক্রাফ্টস এগজিবিসনগী থৌরম অমসু নিলাকুথিগী ইম্ফাল অর্বান হটতা নবেম্বর থাদা নুমীৎ ১০নি পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৯৪৩৬০৩৭১৩২ অমদি ৯৮৫৬৪৭৮০৭২দা সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবগী মমাঙদা খঙবীবা য়াগনি হায়নসু ক্রাফ্টস এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সী এস দি ও)গী সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ প্রেমেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# নোকপনা ঈগী ঈচেল অমদি

## ইম্ম্যুন সিষ্টেম ফগৎহন্দুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি

ইচম-চম্না হকচাং শাজেল তৌবদগীদি হৱাও তয়াম্না থৱায় নুংঙাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা কান্নবা হেল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। 'লফএক্টিভ' হায়না মিংথোনবা হৱাও তয়াম্বা মওংদা নোক্লা নোক্লা হকচাং শাজেল তৌবগী থৌরম অমদা য়াওবা মতমদা চহী য়াম্লবা অহলশিং মশা কনবা হেনগৎলকপগা লোয়নননা মতম শাংনা হকচাং শাজেল তৌবা ঙম্লকপা থেংনখি।

নোকপনা মীওইবগী হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। মরুওইনা চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংদা পূক্লিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহনবগা লোয়নননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লি। হকচাং শাজেল তৌবা ওইরগসু হৱাও তয়াম্বা মওংদা নোক্লা নোক্লা শাজেল তৌবনা হকচাংদা কান্নবা হেল্লি।

জোর্জিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েসন তম্লিবা সেলেষ্ট গ্রীননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, ফৈ হায়বা খঙলবসু মীওই অয়াম্বা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌদে। কনাগুম্বনা মতেক খরা খোঙনা চৎপা, নৎত্রগা হকচাং শাজেল তৌবা তারবসু, ৱাখল নুংঙাইনা হৱাও-হৱাও তৌদে। চহী খরা য়ামশিল্লক্লগনা অমুক্কা হেন্না হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌদে। ইশানা তৌবা ঙম্বা ইচম চম্বা থবক মচা-মশু ফাওবা মখা তাবা অঙাংশিংদা থৌদারগা তৌহনবগী হৈনবী লৈরকই। মদুনা মরম ওইরগা হকচাংদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্‌থ এন্দ হ্যুমেন সার্ভিসনা হন্দক্তা ফোঙখিবা 'ফিজিকেল এক্টিভিটি গাইদলাইন' গী মতুংইন্না অঙাংসু অহলসু নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌবা মথৌ তাই। চহী য়ামশিল্লক্লবা অহলশিং-গীদমক্তদি হ্মাং তানা হকচাং শাজেল তৌবমক নৎত্রবসু নোংমগী মিনিট ৩০ রোম ইমুংগী থবক ইনখাং মচা-মচা তৌদুনা হকচাং লেঙগদবনি। মসিনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ষ্ট্রোক, টাইপ-টু দাইবেটিস, মেটাবোলিক সিন্দ্রোম, ওষ্টিওপো-রোসিস, কোলোন কেন্সর, ব্রেষ্ট কেন্সর, এঞ্জাইটি অমদি দিপ্রেসনগী রিস্ক হন্থহল্লি। অহল ওইশিল্লকপগী মতুংইন্না মায়োক্লরকপা তুশিল্লগা খোঙ-খুৎ তেক্কনবা, মশল মাস হন্থরকপা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপগী খুদোংচাদবসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

হেন্না মরুওইরিবদি ৱাখল নুংঙাইনা অমসুং নোক্লা নোক্লা ফিজিকেল এক্টিভিটি তৌবদুনি। নোকপা মতমদা মীওইবগী মশল পুম্নমক রিলেক্স তৌবগা লোয়নননা পাঙ্গল কনবা হেনগৎলকই হায়বগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম কয়া ফংবা ঙমখ্রবনি। মরম অদুনা হকচাং শাজেল তৌবগী থৌরাংদা নোকপগী মথেল অমসু য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি। ৱাফম অসি 'জেরোন্টোলোজিষ্ট' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা অখঙ-অহৈশিংনা রেক্কমেন্দ তৌখিবনি।

নোকপদা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা সাইকোলোজিষ্ট অমসুং লফ থেরাপিষ্ট ষ্টিভ ৱিলসননা হায়খি, পুন্সিদা মীওইবনা খ্বাইদগী য়াম্না নোকপা ঙম্লিবমখৈ কান্নবা ফংবগী চাংসু হেল্লি। ঙাইহাক্তা ওইরবসু নোক্লিঙৈ মনুংদা মীওইবনা পুন্সিগী অৱাবা ৱাখল পুম্নমক কাউথোকপা ঙম্মী। নোকপা মতমদা মায় অমদি হকচাংগী মশল পুম্নমক শীজিন্নবগা লোয়নননা নিশা শ্বর হোনবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না হকচাংগী টিস্যুশিংদা অহেনবা ওক্সিজেন ফংহনবা ঙম্মী।

নোকপা হায়বসিগা হকচাং শাজেল তৌবগা হীরম খরদা চপ মান্নে হায়না পল্লদুনা নোকপগী মরমদা কুপ্পা থিজিল্লিবা ৱিলিয়ম ফ্রাইনা হায়খি, শুপ্নগী মিনিট ১ খক থৱায় তানা নোকপা ঙম্লবদি মিনিট ১০ হকচাং শাজেল তৌবগা চপ মান্নবা মওংদা কান্নবা ফংই। মতম অমুক্তদা নোকপা অমদি হকচাং শাজেল তৌবগী থৌওং পুনশিনবা ঙম্লগদি অমুক্কা হেন্না কান্নে। শুপ্নগী মিনিট ১০-১৫ খক থৱায় তানা নোকপা মতমদা হকচাংগী অহেনবা কেলোরি ৫০ মাঙহনখিবা ঙম্মী। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা নোকপনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবগা লোয়নননা ইম্ম্যুন সিষ্টেমগী ফীভম ফগৎলকপা মরম্না লায়না তীলনা কয়া ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি।

দাইবেটিসনা নারবা মীওই ১৯ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা নোকপনা ব্লদ সুগর লেবেল হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী খুদম ফংবা ঙমখি। নোর্মান কজিননা ইবা 'এনাটোমি ওফ এন ইলনেস' কৌবা লাইরিক অমগী মতুংইন্না নোকপনা হকচাংদা ফাওবা চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী হায়রি। মশামক এঙ্কিলোজিং স্পোন্দিলাইটিসনা নারবা নোর্মান কজিননা চাংয়েং ওইনা ফাগি-জুগাইগী ফিল্ম য়েংদুনা নোকপা মতমদা চৈনাখোল হন্থরকপা থেংনখি। শুপ্নগী মিনিট ১০ খক নোকপা মতমদা চৈনাখোল কোকখিবদগী পুং ২ রোম নুংঙাইনা তূম্বা য়াহল্লি হায়রি। অয়াম্বা মতমদা নোকপা ঙম্লবদি পুন্সিবু অৱাবা ৱাখলনা খুদুম চনবা ঙমদে। হায়নবা লৈ, পুন্সিদা থেংনরকপা অৱাবা থৌদোক খুদিংমক নোক্লা নোক্লা মায়োক্লবা ঙম্লিবা মীওই অদু থৌনা ফবগী খুদমনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে



# চান্দেলদা ব্লদ দোনেসন কেম্প কম এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): রোয়েল রাইদর্স চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেল, দি সী চান্দেল, এস পি চান্দেল অমদি অসাম রাইফলস চান্দেলগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চান্দেলদা ব্লদ দোনেসন কেম্প কম এৱ্যের্নেস কেম্প্যেনগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসি হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা ঈগী অৱাৎপা লৈরিবসি কোক্লনবা অমদি ঈ কৎতুনা মীওইবগী থৱায় কন্নবা হোৎনবগা লোয়নননা ঈ পীবগী মতাংদা এৱ্যের্নেস লৈহন্নবগীদমক পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু রোয়েল রাইদর্স চান্দেলগী মেম্বর অলফ্রেদ মোঙ্সাংনা মোদরেটর ওইদুনা হৌদোকখি। রোয়েল রাইদর্স চান্দেলগী চীফ কোথেলদাউন খলিংনা ৱেলকম এদ্রেস পীদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎখি।

ঙসিগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা নহা ওইরিবা অমদি দাইনামিক লিদরশিং অমসুং ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি। মরুওইনা দি সী চান্দেল ময়াংলম্বম রাজকুমার, এদিসনল এস পি চান্দেল শঙ্করজিৎ, ২১শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর দয়ানন্দ, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেলগী এম এস ডা. টি ঐচ জয়সন অমদি রিছোর্স পার্সন ওইনা আই ঐচ টি এম ব্লদ সেন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী সিনিয়র স্পেসিএলিষ্ট ডা. এল দোরেন্দ্রো অমদি আই ঐচ টি এম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী চান্দেলগী স্পেসিএলিষ্ট ডা. সঞ্জয় নান্দৈবমসু শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কম এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অদু ফ্রেন্দশিপ বিওন্দ বাউন্দরিজ হায়বা মোটোদা পাঙথোকখিবনি। লোয়নননা থৌরমদুদা পুকচেল চাউরবা মীওই কয়ানা ঈ কৎখি। থৌরম অদুদা ডা. এল দোরেন্দ্রোনা মীওইবা অমনা ঈ কয়ারক পীবা য়াই অমদি ঈ অমুক পীখ্রবা মতুংদা করম্বা মতমদা অমুক ঈ পীবা য়াবগে হায়বনচিংবা কান্নরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুনা কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা খঙহনখিবগা লোয়নননা তঙাইফদবা ঈ পীবদা মীওইবগী হকচাংদা মাঙজবা লৈতে অমদি ঈ তোয়না পীবনা মীওইবদা কান্নবা পীরিবশিংসু খঙহনখি হায়রি।

# পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা অচৌবা বুয়ামযুমগী লংলা-লংজিল লৈঙাক্লা পুথোকপীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২দগী হৌরগা পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা অচৌবা বুয়ামযুমগী লংলা-লংজিল মণিপুর লৈঙাক্লা পুথোকপা ঙমদ্রবদি লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ও অমদি মৈরা পায়বী কয়াগা লোয়নননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা জে এ সী এগেনষ্ট দ মিসিং ওফ এম দি অচৌবা বুয়ামযুমনা ৱারেপ লৌখ্রে।



ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লংলা-লংজিল অমত্তা খঙদনা লৈরিবা এম দি অচৌবা বুয়ামযুম (৪২) চহী অসিগী হৌখিবা জুলাই ১৪দা চেক্কী মিষ্ট্রি ওফ ক্বাক্তা চেরাং পাৎ ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈবা মহাক অসি য়ুমদগী উখুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কালহাং খুলগী ৱাটর সপ্লায় টেঙ্ক অমা অমদি হুইসু খুলগী চর্চ শাবগী থবক শুনবনি হায়দুনা চৎখ্রগা হন্দক থা অসিগী ১২গী অয়ুক পুং ৯.৩০ ফাওবা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা পাউ ফাওনরম্লবা মতুং ঙসি ফাওবা মরী-মখোঙ খঙদনা লৈরকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা জে এ সী এগেনষ্ট দ মিসিং ওফ এম দি অচৌবা বুয়ামযুমনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

জে এ সীনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অচৌবগী লংলা-লংজিল পুথোক্লবা অমদি থিবদা মণিপুরগী চীং অমদি তমগী মীয়াম লোয়নননা সী এস ওশিংনা মতেং পাংবীয়ু। কনাগুম্বা শকখঙদবশিংনা অচৌববু ফাজিন্দুনা থম্বীরম্বা ওইরবদি মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা অচৌববু তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীয়ু হায়না জে এ সী অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা আপীল তৌরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জামেতুল উলেমা ক্বাক্তাগী সেক্রেটরি মৌলানা অল্লাউদ্দিন কাস্মিনা জে এ সীগী মহুৎ শীন্দুনা ফোঙদোরকখিবদা, অচৌবনা মফম খঙদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোকপীনবা হায়দুনা মণিপুরগী সী এমদা ফাওবা লোকল এম এল এগা লোয়নননা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। ঙসি নুমীৎ ১৯নি শুরবা ফাওবদা অচৌবগী লংলা-লংজিল অমত্তা পুথোকপীদনা লৈশিনবা অসিনা মরম ওইরগা ঙসি জে এ সীনা ক্বাক্তাগী লূপ কয়াগা লোয়নননা দেমোক্রেটিক ওইনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি।

ঙসিগী মীফম্না করিগুম্বা পুং ৪৮গী মনুংদা অচৌবগী লংলা-লংজিল পুথোকপীদবা তারবদি মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা এম এম দল্লিয়ু ও ৱিমেন্স ৱিং বি পি আর কনভিনর শাফা তামোলৈ, ক্বাক্তা চরাংপাৎ ১১ ষ্টার ক্লব, জে এ সী কনভিনর ফুন্দ্রেময়ুম জয়া খান অমদি সী এস ওশিংগী মকোক থোংবশিংগা লোয়নননা ক্বাক্তাগী মীয়ামসু শরুক য়াদুনা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

# মতম চানা হার পীবীদবনা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লরোইদ্রা মীপায়বদগী হার পীবীয়ু হায়না লৌমীশিংনা তকশিল্লক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হার মতম চানা চাইনিংলবসু হার ফংদবদগী চহী অসিদা লৌমীশিংগী চাথোক মরাং কায়না লোকপা ফংলোইদবগী অৱাবা ফীভমদা লৈরিবসি থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা য়ুরিয়া হার পীবীয়ু হায়না ককচিং খুনৌ উমাথেলগী লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা তকশিল্লক্লি।

শুগনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা উমাথেল মহৌ লৌকোলদা লৌ ঙরিবা লৌমী ময়াংলম্বম ইবেচৌবীনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা চহী ২/৩ রোমসি য়ুরিয়া হারগী অৱাবা চৈথেং কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী ওইনা শুগনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এনা শুগনুদা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকখিবা অদুদা অহানবগী ওইনা মীওই খরদদি হার ফংখিবা লৈখ্রে। মখা তানা য়ুরিয়া হার পীগনি হায়দুনা টোকন কার্দশিং লৌমীশিংদা পীরক্লবসু মথৌ তাবা হার অদুদি ঙসি ফাওবা পীবীদনা লৈরি হায়খি।

লৌমী ময়াংলম্বম ইবেচৌবীনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, চহী খূদিংগী লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হারগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা অদুম্মক লাক্লি। চহী অমদা অমুক্তং য়াম্না ৱানা শেল চঙনা লৌ উজরিবা লৌফমশিং অসিদগী থোকপা পোখোক্লা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রা, অঙাংশিংগী লাইরিক-লাইশু তম্নবা অমদি মিংজল শেল পুথোক্লবা হোৎনরিবনি। অদুবু ৱানা লৌ উজরবসু লৌফমদা য়ুরিয়া হার চাইবা ঙমদবনা মরম ওইরগা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। পোখোক মরাং কায়না পুথোক্তবদি ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রা অমদি অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তম্বীবগী শেল পুথোকপা ঙম্লরোই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা চয়োল অমগী মনুংদা য়ুরিয়া হার পীবীয়ু। নৎত্রবদি কোন্না হার পীরক্লবসু মদুগী কান্নফম লৈররোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লৈশেম্লোন মরুপনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): চীংঙামখা ওইনাম লৈরক্তা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা লৈশেম্লোন মরুপকী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে হায়না লৈশেম্লোন মরুপ শীংজমৈগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ তোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা মীফম অদুনা মমাঙদা শরুক য়ানবা হায়খ্রবসু এম এ এসকী মেম্বরশিংনা লাকখিদবা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। পুখ্রিগী অমদি মসিগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈরিবা এরিয়া অসি লৈকায় মীয়ামগী ওইদুনা লাক্লিবনি। অদুবু মণিপুর অয়ুর্বেদিক সম্মেলন (এম এ এস)না অরানবা পাট্টা শেমখিবনি। মরম অসিনা এম এ এসনা অথুবদা পাট্টাগী মিং ওন্থোক্কদবনি। লোয়নননা মীয়াম্না হকশেলগী ওইবা কান্নবগীদমক্তা অয়ুর্বেদিক্তা পীখিবা লমদি পুখ্রিগী মনিং থংবা শরুক্তা লৈরিবা লম অসিখক্তনি। মরিশুবা ৱারেপতা ঙসিদগী হৌনা এম এ এসনা লৈকায় অসিদা হৌজ-হৌজ য়েৎনবা থোক্লবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তগী লেপকদবনি। মসিদা এম এ এসনা করিগুম্বা মখা তানা য়েৎনবা থোক্লবদি লৈকায় মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌদা থোকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক এম এ এসনা লৌগদবনি হায়রি।

মঙাশুবা ৱারেপতা এম এ এসতা লৈকায় অসিগী মীয়ামসু মেম্বর ওইহনবা লোয়নননা তরুকশুবা ৱারেপতা পুখ্রি অসি মীয়ামগী ওইবা পুখ্রিনি হায়বা থাবা বোর্দ অমা থেৎপগা লোয়নননা তরেৎশুবা ৱারেপতা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী কোপী অমা মণিপুর অয়ুর্বেদিক এম এ এসতা পীবনচিংবা ৱারেপশিং অসি লৌখিবনি হায়নসু লৈশেম্লোন মরুপকী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।০৯।২০২২ ইং, শগোলশেল; নুংথিল পুং ২.৫০ ফাওবা লাংবনগী ৫ পাল্লি মতুংদি ৬ নি পাল্লনি।

মেষ: অশাওবনা লন কায়বা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈরসু নীংবদি থুংগনি। মরুপ-মপাং ফংগনি, অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্কনি, অরুবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: অঙম্বগা য়েৎনবা অমদি অরিবা থবক থৌরমদা য়েৎনবা খরদি লৈগনি। অদুবু নীংবদি থুংগনি, অনৌবা থৌরমদদি চাওনা মাঙজিল থাগনি, শেল-থুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: মতম মাঙবা অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবদা লাইবক ফবা ৱাৎলসু নুংঙাইবা পাউদি তাগনি, খল্লুদবা মরমদগী কান্নবা ফংগনি। মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: মরুপ য়ামগনি-অনৌবদি থাজগনু। মীয়ামগী মতেংনা লন চাওখৎকনি, পল্লম্বা শেল-থুম নৎত্রগা কান্নবা পোৎ ফংবগী নুংঙাইজে। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

সিংহ: চিন শোয়বনা নরল কায়বা য়াবা অমদি ফংবা য়াবা পনবা লৈগনি। য়েক্লবদি লায়না খুদুম চনগনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং য়ামগনি, থৌনা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: অনৌবা লৌশিং তানশিনবগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা নুমিৎনি। অফবা মরুপ ফংই, মরুপ-মপাংগা লোয়নননা পাঙবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। য়েংশিনবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ইমুং-মনুংদা মহু চাওবনা য়েংথিবা খরা লৈরসু নীংবা মপা চাবা, অফবা থবক পাঙবা লৈ। পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীকোক থোংই, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি য়েক্লবনা ইমুংদা তাথিবা খরা লৈরসু মীকোক থোংনা থৌ পাঙগনি, শেল-থুম অমদি মীংচৎ ফংগনি। অঙম্বনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

ধনু: নীংবা থুংবদি ঙসিসু লৈগনি। শেল-থুমগী লমদা কান্নগনি, ঙাং-শকপা হৈবা অমদি পোরম য়াৎথোক্লগা পাঙবা থবক থৌরমদা মীংচৎ লৈনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা অমদি পাঙনিংবা থবক পাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি, লৈতেং ফংগনি। মীতোপকী থৌইনশিন্না মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: য়েক্লবনা লান্না পাউথোকপিদুনা নথক থোংবনা তাথিগনি-চরাঙনগনু। অনম তানবা অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবনা মাংজগদবা নুমিৎনি- ঈংথনা লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙায়খো।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মিন: অকিবা লৈতনা নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা কান্নগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। অদুবু মরুপ-মপাংনা চানবীবা ৱাৎলি, হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।